ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




মোইরাং লৈরক্তা লৈবা থৱায়গী মৈরাগী থৌমীশিংনা মণিপুরদা চথরক্লিবা তমথীরবা লান অসিবু মায়োক্লরিবা খুল ঙাকপশিংদা লেপ্তুনা মতেং পাংলকপগী মখা তারকপদা খুল ঙাকপশিংগী খোঙউপশিং তেংবাঙখিবা


মমাঙ নৎত্রগা অৱাং মায়কৈদগী লৌ লিংবা হৌগনি ... ☛ লামায় ২

লামায় ৪ ☛ লমদমসিদা পাংথোক্লরিবা সেমিনার অমদি ঐখোয়

দ গ্রেট ব্লফ মাষ্টর ☛ লামায় ৫

লামায় ৬ ☛ ষ্টেট লেভেল কম্মর্স ওলেম্পিয়দকী রিজল্ট লাউথোকখ্রে

স্পাম কোলদগী ঙাকথোক্নবা কোল্লর আই দি সার্ভিস ত্রায়ল হৌখ্রে ☛ লামায় ৮

লামায় ১২ ☛ ৱাই দব্লিয়ু সী লংথবাল, ৱাই য়ু সী সী ক্লাকৈথেল...


মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা শীন্দুনা লমশাংগী ইন্টরনেসনল সলাই পুস্নিফমগী য়োইরেলশঙদা চথরকখিবা ফোক এন্দ ত্রেদিসনেল ম্যুজিক ২০২৪গী ফেষ্টিবেলদা সুন্দরিনা লুচিংবা টিম্না খুল্লং ঈশৈ ফাংনখিবা





Vol. 48, Issue No. 075 | নোংমাইজিং, ইঙাগী ১০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, June 16, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


### মণিপুর রিভরদা নম্ফুদা থোং শাবগা মরী লৈনবা ৱাথোক লোইদ্রি

# থোং অসিগী ওইরমগনি চিংনবা য়োৎশিং পুরকপা ত্রক ৪গী মনুংদা ২ মৈ থাদোকখ্রে

### কুকি টেররিষ্টশিংনা থম্লাপোকপীদা বোম কাপশিল্লকখ্রে



**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী কে মোলনোম কুকি খুলদা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা অইবা চেরোল পীদুনা লৈঙাক্কী অয়াবা য়াওদনা মণিপুর রিভরগী মথক্তা থোং শাগৎপা য়ারোই হায়খ্রবসু নম্ফুদা শাগৎলম্বদগী থা অসিগী ১৩গী অয়ুক্তা উমাথেলদা বি আর টি এফনা পায়খৎপা কন্সত্রক্সন ৱার্ক অমগী য়োৎশিং পুরকখিবা ত্রক অনী ককচীং খুনৌ থোঙাম মনীংগী মফম অমদা মীয়াম্না থোং অসিদা শীজিন্নবনি হায়না থাজবদগী খাল্লগা মৈ থাদোকখ্রবা মতুংদা ঙসিসু ইম্ফাল লোমদগী চুড়াচান্দপুর তম্না থোংদা শীজিন্নগদবা য়োৎ মানবা অপাকপা য়োৎকী প্লেটশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং পুরকখিবা ত্রক মরি মীয়াম্না থৎলগা ত্রক অনী মৈ থাদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌদোক অসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদা থোকখিবনি। থোংগী য়োৎ মানবা অপাকপা য়োৎকী প্লেটশিং য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং পুরকখিবা ত্রক মরি অদুনা মোইরাং লমখাই লাম্থোরক্লগা চুড়াচান্দপুর তম্না লাক্তুনা ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায় য়ৌশিল্লকপদা মফম অদুদা লৈরম্বা নুপী য়াওনা য়াম্লবা মীয়াম্না ত্রক মরিদা পুরকখিবা য়োৎশিং অদু ত্রোংলাওবী ইবুধৌ নোংপোক নিংথৌ অপানবা-অপানবীগী খুভম লৈরিবা মপা ওইরপ্না থৎলগা খামখিবনি। ত্রকশিং অদুগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বরনা এ এস-২৫/এফ সী-১৭০৪, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# নুমিৎ ৭নি শুরবা মোদি লৈঙাক্লা মণিপুরগীদি করিমত্তা হায়দ্রি

# জম্মু কাশ্মীরগীদি ঙসি অমিট শাহনা মীফম পাঙথোক্কদৌরি

**ন্যু দেল্লী, জুন ১৫ (এজেন্সী) :** হৌখিবা এপ্রিল ১৯দগী থা অসিগী ১ ফাওবদা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোকখিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলদা সিট অনী লৈরিবা মণিপুরদসু এপ্রিল ১৫দা লাক্তুনা ভোট খোল্লখিবা হৌজিকসু অমুক হন্না হোম মিনিষ্টর ওইরবা অমিট শাহনা চহী হেল্লক্লবা মণিপুরগী লানগী ৱাথোক অসি ইলেক্সন মতুংদা অহানবা ওইনা লোইশিনগনি হায়খ্রবসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক লিংলকপা ঙসি নুমিৎ তরেৎনি শুরবা ফাওবদা মহাক্লসু, অমিট শাহনসু নৎত্রগা অনৌবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর অমত্তনা মণিপুরগী মতাংদা থবক পায়খৎপদি লায়রদনা ৱাফম অমত্তা ফাওবা ফোঙদোরক্তুবসু জম্মু কাশ্মীরগী মতাংদদি অমিট শাহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা হায় লেভেল মীটিং অমা পাঙথোক্কদৌরি।



হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা ৱাশক লৌরবা মতুংদা অহানবা ওইনা মপান লৈবাক্কী খোঙচৎতা ইটালিদা পাঙথোকপা জি-৭ সম্মিটতা শরুক য়ারবসু ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা জম্মু কাশ্মীরদা ওইরক্লিবা সিক্যুরিটিগী ফীভম কূপ্না য়েংশিনখি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হকথেংননা জম্মু কাশ্মীরদা লেপ্তুনা চথরক্লিবা টেররিষ্ট এটেকশিংগী মতাংদা য়েংশিল্লবা মতুংদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মফম অদুগী ফীভম রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়ননা হয়েং মহাক্লা ময়ায় তাংবল লৌদুনা হায় লেভেল সিক্যুরিটি মীটিং অমা পাঙথোক্লবা কৌখ্রে।

হয়েংগী মীফম অসিদা জম্মু কাশ্মীরদা দিপ্লোই তৌরিবা পুলিস, আর্মি অমসুং সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংগী মরক্তা

### ছটিশগরদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা মাওইষ্ট ৮ হাৎখ্রে, সিক্যুরিটি পর্সনেল ১ শিরে

কোওর্দিনেসন হেনগৎহনবগা লোয়ননা লোকল ইন্টলিজেন্সকী থবকসু মপাঙ্গল কনখৎহনবগী মতাংদা খন্নগদৌরি। হোম মিনিষ্টরনা চ্যের লৌগদবা অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি মীটিং অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী রিয়াসি, কাথুৱা অমসুং দোদানচিংবা মফমদা টেররিষ্টশিংনা চথরকখিবা এটেকশিংগী মতাংদা কূপ্না খন্নগদবনি।

মমাঙথক্তা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা অসিগুম্বা টেররিষ্টকী থবক থৌওংশিং অসিদা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি জিরো টোলরেন্স পোলিসিগী মনুং চনবা থবক থৌরমশিং চত্থগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

হয়েংগী মীফম অসিদা পাঙথোক্লগদবা অমরনাথ যাত্রাগীদমক চেকশিন থৌরাংশিং লৌনবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### জিরিবামদা লৈরকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী এদভান্স সিক্যুরিটি টিম হল্লকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক ৱাশক লৌবগী থৌরম য়াওননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা দেল্লীদা লৈরিঙৈদা টেলিফোনগী খূথাংদা লান নংলবা জিরিবামগী মীয়ামদা মহাক নোংমা নীনিগী মনুংদা শোয়দনা জিরিবামদা লাক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থা অসিগী ১০দা জিরিবামগীদমক ইম্ফাল থাদোকখিবা মহাক্কী এদভান্স সিক্যুরিটিগী টিম অদু ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফালগীদমক জি রিবাম থাদোকখ্রে হায়রি।

জিরিবামদগী ফংবা পাউনা হায়বদা পুন্না গাড়ী ১০ রোমদা লাকখিবা চীফ মিনিষ্টরগী এদভান্স টিম অদু অহানবা এম আরগী সী ওনা লুচিংলকখিবনি। মখোয়না জিরিবামগী পি দব্লিয়ু দি গেষ্ট হাউসতা লৈরকখিবনি। অদুবু ঙসি ইম্ফালগীদমক জিরিবাম থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিসকী রিটাইয়র্দ ওফিসর এস কিপগেনগী য়ুম মৈ চাকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটেরিএটকী মায়োক্লবা এন ঐচ-১০২গী মনীংদা লৈবা বি এস এন এল ওফিসকা ওল্ড সেক্রেটেরিএটকগী মরক্তা লৈবা লম্বীদা চঙশিল্লগা কুকি ইন, ইম্ফালগী মনীং ওইরপ্না লৈবা লৈখিদ্রবা ইন্দিয়ন ফোরেষ্ট সর্ভিসকী ওফিসর ওইরম্বা এস কিপগেনগী য়ুম খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী ইমুং অসিগী পোৎ চৈ কয়া তাঙ্গোই ওনখ্রে।



থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসি পুলিস হেদ ক্বার্টরগসু নক্লনা লৈবদা নত্তনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী জ্যুরিসদিক্সন মনুংদা লৈবনি। থেংনরকখিবশিংনা পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা ফায়র সর্ভিসতা পাউ পীবদগী ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টর এল নবচন্দ্র মশামক য়াওনা ফায়র টেন্দর তরুক লাক্লগা মৈ অদু মুখৎতুনা কন্নবা হোৎনখি। অদুমকপু গাড়ী চঙফম লৈরমদবদগী য়ুম অসিগী অকোয়বদা খারম্বা ফেন্সিং ফাওবা থুগাইরগা চঙদুনা মৈ মূখৎনবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক ইমুংদা থম্বা পোৎ চৈ কয়াদি কনবা ঙমহৌদ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি, মণিপুরদা ঈরাং থোক্লকখিবদগী য়ুম অসিদা মী অমত্তা লৈরকখিদ্রবনি হায়রি।

### কুকিনা নোংমৈ কাপ্লকপদা মীচম্না চেন চেন্দুনা থেংনবসিদি লৈঙাকসিগী সিক্যুরিটি ফেল ওইরে তাকপনি : হাওমি

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :**

হৌজিক থোক্লিবা চহী অমা হেল্লবা কুকি লমহেনবশিংগী থৌওংশিং অসিবু লাকশিনবগী মহুত্তা মখোয়বু মতেং পাংশিনবা ওইনা চথরক্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্স খরসিবু কন্ত্রোল তৌবা হায়বসি য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মথৌনি হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কন্ত্রোল তৌবা ঙমদ্রবা য়ুনিফাইদ কম্মান্দবু শিন্দোকপা হায়বসি লৈঙাক অসিগী মথৌ নত্ত্রা হংলদুনা লৈঙাক অসি য়ুনিফাইদ কম্মান্দ পায়রিবা অসিগী মখাদা লৈরব্রা অমসুং মীয়াম্না য়ুনিফাইদ কম্মান্দ সি এমদা শিন্নৌ হায়না লাউরিবা অসিগী ৱাহন্থোক করিনো, লেজি সলেচর অসি সিক্যুরিটিনা কন্ত্রোল তৌরব্রা হংলক্লি।

### লান নংলবা জিরিবামগী মীয়ামদা অসামগী মীতৈ লূপশিং য়াওনা অঙম্বা মতেং পাংলি



অসামগী তোঙান তোঙানবা মীতৈগী লূপশিংনা জিরিবামগী লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং খূৎশিন্নবা

মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক অদু মীয়ামদা লৈঙাক্লা খঙহনফম থোকই। থেংনরিবা লান অসি লৈবাক অসিবু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা, ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### কোংগ্রেসকী পি এ সীগী মীফম

### মণিপুর লৈঙাক্লা পৱার অমসুং দ্যুটি শীজিন্নদুনা ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহল্লু হায়না আপীল তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৩ তারকপদা ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকখিবা এম পি সী সীগী পোলিটিকেল এফেয়রস কম্মিটিগী মীফম্না লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা মণিপুর লৈঙাক্তা পীরিবা পৱারশিং অমসুং দ্যুটিশিং শীজিন্নদুনা মণিপুরদা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা অমসুং নুংশি চান্নবা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না য়ুনিয়ন অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্তা আপীল তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ঙসিগী মীফম অসি এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখিবনি। মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং সী এল পিগী লুচিংবা ও ইবোবী, এ আই সী সীগী সী দব্লিয়ু সীগী মেম্বর গাইখাঙম, কোংগ্রেস লেজি সলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎ, পার্টিগী চীফ হ্বিপ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### 'মণিপুর লৈঙাক্কী ফিরেপ অথুবা মতমদা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি'

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** মহৌশাগুম্না থা অসিগী ১৮দা কেক্রুপাৎতা লৈবা জুন ১৮গী অথৌবা অথৌবীশিংগী খুভমদা হৈকৎ লৈকৎ তমগদৌরিবা অসিগীদমক মাঙজৌননা শিৎ-শেংবগী থবক চথুখ্রবা মতুং ঙসি উ চারাশিং থারদুনা জুন ১৮ ওবজার্ভেসন কম্মিটি ২০২৪গী চ্যেরমেন জয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বগী ঈহৌদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মীওইশিংগী নীংশিং খুভমদা হন্দকসু অৱাংবা থাক্তা ইকায়খুম্নগনি। থৌরম অসিদা মণিপুরগী ফূরুপ খুদিংমক্লা শরুক য়াবীয়ু হায়খি।

অদুগা হৌজিক থোক্লিবা লান অসি চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্ট অমদি য়ুনিয়ন লৈঙাক অমসুং মখোয়গী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অতম্নগা মীতৈদা চথরকপা লাননি হায়বসি ময়েক শেংলে। মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা মখোয়গী ফিরেপ অদু লৈবাক ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### মীয়াম্না ঙকথী পায়দ্রিঙৈদা ফম থাদোকপনা চুমগনি : ইবুধৌ থাংজিং পানা

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাংদা লৈবা ইবুধৌ থাংজিং পানাগী কনভিনর ৱাই তোম্বনা থোরকপা চেরোল অমদা মীয়াম্না ঙকথী পায়দ্রিঙৈদা ফম থাদোকপনা চুমগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা ১৩ হেল্লবা তুংদা থা অসিগী ৬তা জিরিবামদা কুকিশিংনা সোইবম সরতকুমার হাৎখিবা, এ আরনা ঙাক্লগা য়ুম কয়া পাক্তক্লনা মৈ থাদোকখিবা, ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফম কয়াদা কুকিশিংনা মীতৈদা লান্দারক্লিবা, লোক সভা ইলেক্সন মতুংগী অনৌবা লীলাশিং অসি ইবুধৌ থাংজিং পানানা হকচিন্না য়ানীংদে হায়রি।

হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মে ২৯, ২০২৩দা মণিপুরদা লাক্লম্লবা মতুংদা সী আর পি এফকী কুলদিপ সিংহবু সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইনা হাপখিবনি। থৌওং অসি মণিপুরদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবনি হায়না তৌখিবনি অদুবু চহী অমা হেল্লবা ফাওবদা মীশি মীনা হেনগৎলক্লি। পুন্নমক অসিনা তাকপদি সিক্যুরিটি এদভাইজরনা মথৌ পাঙথোক্তে হায়বনি। মরম অসিনা মশানা খঙনা ফম থাদোক্কদবনি। করিগুম্বা থাদোক্ত্রবদি অথুবদা লৈঙাক্লা ৱারেপ লৌদুনা মহাকপু ফম থাদোকহনগদবনি।

অমরোমদা, কুকি অমসুং মীতৈগী খৎনবা খাম্বগী মিংদা অসাম রাইফলসনা কুকি টেররিষ্টশিংগী মতেং ফোংনা পাংলি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক কয়াদা পাংবদা নত্তনা মীতৈশিংগী খুল অমদি য়ুম কয়া পাক্তক্লনা মখোয়না কুকিশিংবু ঙাক শেন্দুনা পুরক্লগা মৈ ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### মণিপুরগী ঈরাং খুদক্তা লোইশিল্লু হায়বগী দিমান্দদা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি : সী পি আই

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সী পি আইগী দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল মীফম পাঙথোক্তুনা মণিপুরগী লান জিরিবাম ফাওবা শন্দোক্তুনা মীয়ামদা অৱাবা পীরক্লিবা অসিগী মতাংদা অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা কূপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী ঈরাং অসি খুদক্তা লোইশিল্লু হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই) না সিট ইন প্রোটেষ্ট য়াওনা খোঙজংশিং মথং মথং চঙশিল্লগনি হায়রি।

পার্টি অসিগী চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ঈরাং অসি লোইশিন্নবগী থবক তৌবগী মহুত্তা চৌক্রি কোন্দুনা লৈরিবসি পার্টিগী মায়কৈদগী পেন্দে। অদুগা চীফ মিনিষ্টরগী মখাদা লৈরিবা সিক্যুরিটি এদভাইজর অমসুং দি জি পিসু খুদক্তা লৌথোক্তুনা থবক ঙম্বা সিক্যুরিটি ওফিসরশিং হাপকদবনি। লোয়ননা মরৈবাক মরমদম কঞ্জনবগীদমক খুল ঙাকচরিবা নহা কয়াবু ফা-পূনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

### জুন ২৪গী মমাঙদা খূৎশুমল হেনগৎপগী ওর্দর থোক্ত্রবদি মিদ-দে-মিলগী চাক থোংলরোই




**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ২৪গী মমাঙদা মিদ-দে-মিলগী চাক থোংলিবশিংগী য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৫গী খূৎশুমল পীনবগী ওর্দর থোক্ত্রবদি নুমিৎ অসিদগী হৌনা চাক থোংলরোই হায়না ওল মণিপুর মিদ-দে-মিল ৱার্করস য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট মাইবম জমুনানা ফোঙদোকখ্রে।

প্রেস ক্লবতা ঙসি পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্লা হায়, হৌজিক মিদ-দে-মিল ৱার্করশিং অদুক্কী মতিক অৱা চৈথেং নংলে। ইচা-ইশুশিং হুন্দোক্লগা চাক থোংদুনা অঙাংশিং পীজরকখিবনি। মসিগীদমক অয়ূক পুং ৮.৩০দগী ৯ ফাওবগী মনুংদা স্কুলদা চত্তবা য়াদে। ওজাশিংগী মমাঙদা ঐখোয় হান্না থুংগদবনি। স্কুলগী মতম লোইশিনবসু ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

### সিনিয়র এদভোকেট ২ হায় কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী মেম্বরশিপ্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** হায় কোর্ট বার এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী সেক্রেটরি এল আনন্দনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং নুংথিল পুং ২ তারকপদা এসোসিএসন অসিনা সিনিয়র বার রুমদা পাঙথোকখিবা ইমর্জেন্সি মীটিং অমনা সিনিয়র এদভোকেট অহন্থেম রোমেনকুমার অমসুং সলাম রুপচন্দ্রনা মিস কন্দক্তকী থৌওংশিং চথুখি হায়রদুনা মসিগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

মীফম অসিনা কূপ্না খন্নরবা মতুংদা হায়রিবা থৌওং অসি চথুখিবা সিনিয়র এদভোকেট অনীগী মথক্তা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎনবা ৱারেপ লৌখি। অদুগা মখোয় অনীগী মথক্তা মতিক চাবা প্রোসিদিং লৌখৎপগী থবক চথুরিঙৈ মনুংদা মখোয় অনীবু বার এসোসিএসন অসিদগী মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা সস্পেন্দ তৌরে হায়রি। মখোয় অনীগী মিস কন্দক্তকী থৌওং অদু জষ্টিস এ গুনেশ্বর (কোর্ট নম্বর ৩) না কোর্টকী প্রোসিদিং চথুরিঙৈদা থোকখিবনি হায়রি।

# 'কুকিশিংনা করিসু তৌরোই কিগনু হায়রম্লগা য়ূম মৈ থাবা হৌরকখিবনি'

### হকথেংনবা পাউদম

*চুড়াচান্দপুরগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** ঙসি ফাওবা লোইশিন্দ্রিবা তমথীরবা লান অসি হৌরকখিবা মে ৩, ২০২৩দগী চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী খুগা তম্পাক্তগী লাঞ্জেল্লক্তুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোংদা লৈবা মাঙ্গোল ঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প ওন প্রজেন্ট সিচুএসনদা চঙজফম লৌরক্লিবী মশাগী চহী ২১ খক্তা ঙাইরিবী থৌদাম অনিতা অপোকপা টি ঐচ তরুন অমসুং অপোকপী থৌদাম ওংবী বিমোলানা পাউচে অসিদা হায়, চুড়াচান্দপুরগী খুগা তম্পাক্তা লৈরিঙৈ মতমদা ঐগী অপোকপা ইপানা মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভ (এম আর) ওইরগা ইমানা ঐখোয়গী য়ূমগী থোঙ্গালদা গ্রোসরি দুকান অমা ফমদুনা ইচিল ইনাও



ঐখোয় মঙাবু লাইরিক তমহল্লকখিবনি। হৌজিক্তি মেদিকেল রিপ্রজেন্টেটিভ ওইরম্বা ঐগী অপোকপা মহাক্কী থবক্তগী পোত্থারকপগা লোয়ননা মহাক্লা পুশিল্লকখিবা শেল খরসু লেপখ্রে। মসিগী মথক্তা ইশাগী য়ূম মৈ থাদুনা তাম্থোকপীরকপদগী রিলিফ কেম্পতা লৈরি।

হৌজিক ঐহাক লিবরেল কোলেজদা বি এ তম্লিবা অসিসু মীগী অশানবা কা লৌদুনা তম্লম্বদগী কা অৱাইমলগী শেল পীনীংঙাই লৈরক্তবদগী রিলিফ কেম্পতগী ওইনা চৎলে। হৌজিক ফাওবগীদি ঐগী লাইরিক লাইশু তম্বগী অমদি চৎথোক চৎশিনগী শেল অমত্তা তিংদ্রি। রিলিফ কেম্পকী ভোলন্টিয়রশিংনা পীবিবা শক্তাক চে অদুনা কান্নবা পীবিরি। মসিমক্তি ঐগী লাইরিক লাইশু তম্বদা য়াম্না চাউরবা মতেংনি হায়না নুংঙাইবা ফাওই। অদুবু রিলিফ কেম্পতগী লাপ্না লৈবা মফমদা কোলেজ কাবনিনা অয়ূক্তগী নুংথিল ফাওবা চৎথোক চৎশিন তৌরকপা মতমদা খূৎতা শেল অমত্তা পায়দবনা চাক লাম্লকপা মতমদা করিগুম্বা অচাপোৎ অমত্তসু চাবা ঙমদে।

রিলিফ কেম্পতগী টিফিনদা চান-থক্লবা হাপ্তুনা পুরগা চৎপসু য়াওই অদুসু কালেনগী মতমদদি নুংশা য়াম্না কন্না শাবনিনা চানীংলকপা মতমদা পুমদুনা লৈরম্বদগী চাদবসু কোঙ্গাইনি। মরম অসিনা ঐগী কোলেজগী ক্লাস য়াওবা চৎপা ফাওবা তোয়না চৎপা ঙম্লক্লোইদবগী ফীভমদা লাক্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

লান হৌরকখিবা মে ৩গী নুমিৎতুদা ঐখোয়গী লাইবক থীবা খক্তা নত্তনা ইম্ফালদা কা অমা লৌরগা কোলেজ তমদুনা লৈজরকখিবী ঐ ইমুংদা প্রোব্লেম অমা থোরকপদগী মে ১দগী য়ূমদা লাক্তুনা লৈরিঙৈদা লান অসি হৌরকখিবনি। মরম অসিনা ইমুংগী মীওইশিং লাঞ্জেন্নরকপদা ঐহাকসু য়াওরকখি। মে ১দা য়ূমদা লাক্লবা মতুং মথংগী নুমিৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### ৱাইখোম চীংখৈঙানবা ১সুং ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনিদা সাহিত্য একাদেমি যুব পুরুস্কর ১সুং সাহিত্য একাদেমি বাল সাহিত্য পুরুস্কর পীরক্লে



**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস) :** ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী ওটোনোমস ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা সাহিত্য একাদেমিগী সেক্রেটরি ডা. কে শ্রীনিভাসারাওনা ঙসি থোরকখিবা তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### দেসামগী থৌমী ৩ পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৩দা মণিপুর লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেসন দিরেক্টোরেটনা প্রি প্রাইমারি ওজা লৌনবগীদমক চথরক্লিবা রিক্রুটমেন্ট প্রোসেস য়ানীংদদুনা লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিস অমসুং বাবুপড়াগী এস এস এগী ওফিসতা ছো লোনশিনবা য়াওনা খোঙজং চঙশিনবদগী পুলিসনা ফাখিবা দেসামগী থৌমী অহুম ঙসি কোর্টতা পুথোরক্লবা মতুংদা নুমিৎ মঙানিগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌখ্রে।

রিমান্দ লৌখ্রবা থৌমীশিং অদুদি দেসাম ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭